কোর্টকী ওর্দর ইকায় খুম্নে : জে এ সী

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭(ঐচ এন এস): নিংথৌজম বেবিসনা চনু মীশিগী থৌদোক্তা য়াম্না চাউনা চেন্নে হায়না খন্নরিবা ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী জুনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটর কে ঐচ রোবিন্সনবু ঙসি হায় কোর্টনা বেল পীখিবগী ওর্দর ইকায় খুম্নে হায়না মীশি অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

থাংমৈবন্দদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা জে এ সীগী কনভিনর এল গ্যানেশ্বরীনা হায়খি, কোর্ট কমপ্লেক্সতা রোবিন্সনগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা জে এ সীগী মীওইশিংদা করেম-কথাইনবগী থৌওং চত্থরকখিবা অদুদি তশেংনা পেন্দে। মখোয়না জে এ সীগী মীওইশিংবু তশেংনা উশিৎ থৌওইদে হায়বসি ঙসিগী থৌওং অসিনা চপ চানা উৎলে। মসিদসু নৎতনা পুলিসনসু ফজদবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ চত্থরকখি। পুলিসনা উৎখিবা থৌওং অদুসু লন্ধোনিগী ইমুং-মনুংগী মীচঙ চঙবনি হায়না জে এ সীনা লৌই। কেস অসি হায় কোর্টনা সী বি আইদা হান্ননা শিন্নখ্রবনি। অদুবু এস আই টিগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং ঙসি ফাওবদা সী বি আইদা থাগৎপীদ্রি। য়ারিবমখৈ কেস অসি অথুবদা সী বি আইনা পায়হনবীয়ু। কোর্টনা পীখিবা মতম হেল্লগদি বেবিসনাগী জে এ সীনসু অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি। ঙসি ফাওবা ইমুং-মনুংনা লৈখিদ্রবী বেবিসনাগী লান্ন-থৌরম পাঙথোকখিদ্রি। সী বি আইনা কেস অসি হেক পায়রকপগা থৌরম অসি পাঙথোক্লনবা ঙাইদুনা লৈরিবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মাও কৈথেল ফম্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : চয়োল অমদা অনীরকমাও কৈথেল হাংদোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৯ দা মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি অমদি অন-ইমপ্লোয় য়ুথ লর্নর এসোসিএসন পোরোম্পাৎ থৱানথাবগা খুৎশম্নদুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা মাও কৈথেল ফম্লগনি হায়না কম্মিটি অসিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০১৫ দা মাও মীয়াম্বু নাগালেন্দদা পোৎচৈ য়োনবদা সাউর্দন অঙ্গামিনা অথিংবা পীবতা নত্তনা চৎথোক-চৎশিন্দা অয়েৎ-অপন পীরকখি। মাও মীয়ামগী মনা-মশিং য়োনফম লৈরক্তদুনা হিংনবগী লানফম অচৌবা পোৎলুম অমা পুরকপদগী লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ইপসা, পান্দম, অকোম লুপ, ইপাক, কংলামৈ, কে আই এল, সী এল কে অমদি কে এস এ) না মাও মীয়ামগীদমক লেপ্পগা লোয়ননা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী মীৎয়েং অমদি ইমোসনল ইন্টিগ্রিটি অমগা লোয়ননা ইকনমিক ইন্টিগ্রিটি অমা শাগৎমিন্নদুনা ইকনমিক ইন্টরদিপেদেন্সিগী মরী অমা শাগৎমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা মাওগী লৈহাওদা পুথোকপা পোৎলমশিং ইম্ফালদা য়োনবা হৌরকখি। মাওগী পোত্থোকশিং অসি লৈবীয়ু হায়রি।

ৱাটর টেঙ্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৮ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী জৌপি বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হেংসি অমদি তোলবুং ভিলেজ দা পি বি সী ৱাটর স্টোরেজ টেঙ্ক য়েন্থোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মহৈরোয়শিংগী এগজাম বোয়কোট তৌবীগনু, ফম্মিন্নরগা ৱারোইশিন পুরকসি : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : ওজাশিংনা এজিটেসন তৌবদা এগজাম বোয়কোট তৌবীগনু, ফম্মিন্নরগা ৱারোইশিন পুরকসি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা এদেদ স্কুলগী ওজা ৩২৭ দা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (এস) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাঙবা য়াদবনিনা এগজামদি পাঙথোক্লবা খন্নরি। ষ্টুদেন্টশিং অমদি গার্জিয়ানশিংনসু পাখৎপীগনু। এগজাম তৌগনি। ওজাশিংনা দিমান্দ তৌবা মতমদা অঙাংগী পুন্সিনা হেন্না মরুওইবনিনা পাঙথোক্কনি। দিমান্দ খুদিংমক খন্নরগা সোল্ব তৌবা য়াবা ঙাক্তনি। অঙাংগী এদ্যুকেসন্দা মতেং পাংবীয়ু। গ্রান্ট ইন এইদ স্কুল ৫৮৫ কী ভেকেন্সি য়াম্না লৈরি। এপ্রুভ তৌদনা লৈরম্বা ওজাশিং এপ্রুভ তৌরগা এপোইন্টমেন্ট য়েন্থোকপগী থৌরমনি। ওজা ময়ামগসু ইন্টরেক্সন তৌনবগী তাঞ্জা লৌসি। এপোইন্টমেন্ট ওর্দর পীরগা পল্লিসিটি তান্নবা তৌবা নত্তে। অহাংবা লৈরম্বা ময়ামসি মতম কুইনা দ্যু ওইনা লাক্লবনি। লাইরিক তম্বীবদা থৱায় য়াওবা তাই। স্কুলগী ওজাশিংদা তোলোপ খরসিনা ইমুং-মনুং পুরগা অঙাং লাইরিক-লাইশু তমহল্লিবা ঙাক্তনি। মতম চানা পীবা ঙমদবসি নুংঙাইতে। দিরেক্টরনা লুচিংবা টিমনা হোৎনরগা কেবিনেটতা পুথোক্তুনা পীনবা হোৎনবনি। প্রোব্লেম খরা লৈবদগী ঙমহৌদ্রে। ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌবা তাই। তুংদসু কন্টিব্যুট তৌবীয়ু। পুন্না সেঙ্কসন পোষ্ট ১৬৮৭ লৈবনি। ভেকেন্সিনা ৩৮৭ নি। মসিদা ৩২৭ পীরি। মসিগী মনুংদা গ্রেজুয়েট ওজা ১৩৭, প্রাইমারী ওজা ১৬৮, প্রাইমারী লেকচর (হিন্দী) গী ৯, লৱার দিভিজন ক্লার্ক ১৩ পুন্না ৩২৭ নি। ফিল-অপ তৌগদবা খরা লৈরি। এসোসিএসনগী কাঙবুনসু কন্না হোৎনরি। এপোইন্টমেন্ট ফংলবা মতুংদা নীংথিনা থবক তৌবীয়ু। কম্ম্যুনিকেসন গেপ লৈহন্দবা তাই। ওজাগা মহৈরোয়শিংগগী মরক্তগা কম্ম্যুনিকেসন গেপ লৈহন্দনা নীংথিনা তাকপী তম্বীবা চঙই। গ্রান্ট ইন এইদতা লৈবা স্কুলশিংগী মরক্তা মহৈরোয় লৈতবা য়াওরে। তরুকশুবা পেসু কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌরে। ফাইল সী এমগীদা লৈরি। ওজাশিংদা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর থোকচোম কিরনকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। এদিসনল দিরেক্টর হিলস মাংতে কোম অমদি এদিসনল দিরেক্টর ভেলি সী ঐচ সচিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

লোক্তাক পাৎকী মতাংদা এম পি রাজু বিষ্টানা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা পোকখিবা অমদি চাউখিবা দার্জলিংদগী এম পি ওইনা কাখিবা রাজু বিষ্টানা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎকী ফীভমগী মতাংদা ৱাহং হংদুনা পাৎ অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎখ্রে।

এম পি দার্জলিং রাজু বিষ্টাগী ওফিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম পি রাজু বিষ্টানা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎকী মতাংদা ৱাহং হংখি। কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ককী ইকোলোজিকেল ইন্টিগ্রিটি অমদি সঙাই কনবগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থবক থৌরাং কয়াগী মতাংদসু ৱাহং হংখি।

ৱাহং অদুগী পাউখুম পীরদুনা দোনর মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী দ্রেদজিং অমদি রি-সেঙ্কসনিং ওফ রিভর দাউনষ্ট্রিম ওফ ইথাই বরাজগী মতাংদা ব্রহ্মপুত্র বোর্দতা মাষ্টর প্লান অমা শেম্নবা প্রপোজ তৌরক্লে। ঈচাউ কন্ট্রোল তৌনবগীদমক থবক কয়া পায়খৎনবা প্রপোজেল অসি লাকখিবনি। কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ককী ইকোলোজিকেল ইন্টিগ্রিটিগী মতাংদসু থবক কয়া পায়খৎলি। প্রোটেক্সন মিজর অমদি হেবিটেট কন্দিসন ইম্প্রুভমেন্টকী থবক কয়াসু মণিপুর লৈঙাক্না পায়খৎলি। লোকল কম্ম্যুনিটিগী ইনভোল্বমেন্ট নীংথিনা লৈহন্নবগী থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি। নেসনল পার্ক অসিগী রিছার্স এন্দ মোনিটরিংগী থবকসু পায়খৎলি। সঙাই কন্নবগীদমক ৱাইল্ডলাইফ ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খুৎয়েক পীনখ্রে। কঞ্জার্ভেসন এক্সন প্লান ফোর মণিপুরস সঙাইগী প্রোজেক্ট ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা এম ও য়ু অসি খুৎয়েক পীনখিবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী রিকোভরি প্রোগ্রামগী মখাদা মসি পায়খৎকদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তুংদা এম পি রাজু বিষ্টানা দোনর মিনিষ্টরবু থাগৎপা ৱাফমশিং থমখি হায়নসু এম পি দার্জলিং রাজু বিষ্টাগী ওফিসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

তিংকাও রগাৱাং চাপ্রিককী সিলভর জুবিলি লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচএন এস) :তিংকাও রগাৱাং চাপ্রিক ফোম অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দনা শীন্দুনা তিংকাও রগাৱাং কালুমকাই সিলভর জুবিলি লোইশিনবগী থৌরম ঙসি চিংমৈরোং কবুই খুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা আই এম সীগী কোর্পোরেটর মাইবোন ফাওমৈনা হায়খি, জেলিয়ারোং ফুরুপকী ওইনা সিলভর জুবিলি লোইশিনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ইপা-ইপুদগী চৎনরকপা অমদি থৌরমসিনা লাকপদা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরকসনু। মীওইবা ফুরুপশিংগী লৈরক্লবা লাইনিং-লাইশোন্দা জেলিয়াংরোংগী ওইবদসু পাক-শন্না পাঙথোকপা ঙম্নবা অমদি খঙমিন্ননবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা টি আর সী পি এ এম এনগী ভাইস প্রসিদেন্ট নমজাইলুংপৌ থাইমৈনা হায়খি, লাইনিং-লাইশোন অসি মমাংঙৈদগী লৈরক্লবনি। মসি মীয়াম পুন্না খঙমিন্ননবা পান্দমদা সিলভর জুবিলি অসি পাঙথোকপনি। চাউখৎপা লৈবাকশিংদা লৈরিবা অসিগুম ঐখোয়গী লাইনিং-লাইশোন অসি চাউখৎপা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা আই এম সীগী কোর্পোরেটর জি বিনো, ৱাঙ্গোই গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান রোই গোলমৈ অমদি নহারুপ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান পেত্রিক গোলমৈনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

এম ঐচ আর সীনা পুলিসকী মথক্তা কেস লৌখৎলে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট পুলিস পর্সনেলশিংনা মীয়ামগী ক্রাউদ কন্ট্রোল তৌবদা মদুদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংদা ফিজিকেল এসোল্ট/এটেক তৌই হায়বগী চাজদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) না সূ-মোতুদা ষ্টেট পুলিসকী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে।

কম্মিসননা লৌখৎখিবা কেস অদুগী নম্বর- ১১ ওফ ২০১৯ নি। কেস অসি ইম্ফালদা নুংতিগী ফোঙবা ইংলিস পাউচে অমগী ঙরাংগী ইদিসনদা ‘পুলিস ক্রাউদ কন্ট্রোল এসোল্ট ক্রাইম হায়েষ্ট ইন ষ্টেট’ হায়বা হেদ লাইনগী মখাদা ফোঙলকখিবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা কম্মিসননা সূ-মোতুদা লৌখৎপনি হায়রি।

কেস অসিগী মতাংদা ঙরাং কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপার্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা লৌখৎখিবা প্রোসিদিংগী মতুংইন্না অসিগুম্বা মখলগী এসোল্ট/এটেক তৌবগী থৌওং অসিদা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন তৌবগী প্রাইমা ফেসি লৈ হায়বগা লোয়ননা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩ গী সেক্সন ১২ গী মখাদা কেস অসি লৌখৎপনি হায়খি। লোয়ননা কম্মিসনগী প্রোসিদিং অসি অসিগুম্বা মখলগী হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন অসিদগী থিংনবগীদমক লৌখৎপনি হায়খি।

ঙরাংগী প্রোসিদিং অসিগী মতুংইন্না কম্মিসন্না লৌখৎলিবা কেস অসিগা মরী লৈননা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা মথং থাগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) মণিপুরদা খঙহনখ্রে হায়রি।

কম্মিসননা দি জি পিদা খঙহনখিবা প্রোসিদিং অসিগা লোয়ননা পাউচে অদুগী এক্সট্রেক্ট কোপী অমসু পীখ্রে হায়রি। লোয়ননা মথং থাগী ২০ দা কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং লৌখৎকনি হায়রি।

মিনিষ্টর শ্যামকুমার দিসক্কালিফিকেসন কেস

কোংগ্রেস এম এল এ ২ না ফাইল তৌবা কেস এস এল পি ২গী হিয়রিং ঙসি সুপ্রীম কোর্টতা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর ওইবা য়াওরিবা অন্দ্রো এ সীদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারকখিবা থৌনাওজম শ্যামকুমার (৪৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ বিনোয়কুমার, য়াইরিপোক য়াম্বেম মথক লৈকায়বু কনষ্টিটুট্যসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী প্রোভিজনশিং মতুংইন্না এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকখিবা কোংগ্রেস এম এল এ অনীগী পিটিসনশিংগী ৱায়েল পাঙথোক্লগা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরবু শিংনদুনা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা স্পেসল লীভ পিটিসন (এস এল পি) অনীমক হয়েং কোর্ট অসিদা হিয়রিং পাঙথোক্কদৌরি।

সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা এস এল পিশিং ফাইল তৌখিবা কোংগ্রেস এম এল এ পিটিসনরশিং অদুনা ৱাবগাই এ সীগী এম দি ফজুর রহিম (৪৭), অপোকপা এম দি ফাজু রহমন, ইরোং চেসাবা অমসুং ৱাংখেম এ সীগী কৈশাম মেঘচন্দ্র (৪৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা কে কুল্লবিধু, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহানি।

মখোয় অনীনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিদা ফাইল তৌখিবা এস এল পিশিং অদুগী নম্বরনা এস এল পি (সী) ১৮৭৬৩ ওফ ২০১৯ অমসুং ১৮৬৫৯ ওফ২০১৯ নি। পিটিসনর অনীগী এস এল পিশিং অসিনা চেলেঞ্জ তৌরক্লিবনা মখোয় অনীনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌখিবা পিটিসনশিং- দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ৬৯ ওফ ২০১৮ অমসুং দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ৭০ ওফ ২০১৮ অসিগী মতাংদা চৎলিবা কুমজা অসিগী জুলাই ২ দা হিয়রিং পাঙথোক্লগা থা অদুমক্কী ২৩ দা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা স্পিকরনা লৌরকপা দিসিজনগী মতাংদদি কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৬ কী মখাদা পীবা জ্যুরিদিক্সনশিং এক্সর্সাইজ তৌরদুনা হায় কোর্টনা জুদিসল রিভিয়ু তৌবদি য়াই। অদুবু ৱাকৎ অসিগা মরী লৈনবা প্রাইমা ফেসিগী মতাংদদি স্পিকরনা ৱারেপ লৌজগদবনি হায়বগী ওর্দর পীখিবনি।

জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিগী মায়োক্তা মসিগী পিটিসনরশিং ওইখিবা কোংগ্রেস এম এল এ অনীগী এস এল পিশিং অসি হয়েং সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস নারিমাননা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অমগী আইটেম নম্বর ১ দা লিষ্ট তৌদুনা মসিগী হিয়রিং পাঙথোক্লগনি হায়রি।

অমরোমদা, কোংগ্রেস এম এল এ অনীনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিংগী হিয়রিং পাঙথোক্লগা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখ্রিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগা মরী লৈনবা স্পেসল লীভ পিটিসন অমসু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকরগী মায়কৈদগী সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরক্লে হায়রি।

হয়েং কোর্ট অসিনা কোংগ্রেস এম এল এ অনীগী এস এল পিশিং লিষ্ট তৌদুনা খন্নবা অসিদা মণিপুরগী স্পিকরগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা এস এল পি অদুসু লৌখৎতুনা খন্নগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কোংগ্রেস এম এল এ অনীনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অনী অদুগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা কনষ্টিট্যুট তৌবা ট্রাইব্যুনেলগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর, এসেমব্লী অসিগী সেক্রেটরি অমসুং মিনিষ্টর শ্যামকুমার মশামক য়াওখিবনি।

বিদ্যারানি মীশিগী চপ চাবা লংলা লংজিল পুথোকউ : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচএন এস) : বিদ্যারানিগী মীশিগী চপ চাবা লংলা লংজিল পুথোকউ হায়না ওর্গনাইজেসন ফোর ইন্দিয়ন ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইমগী এদভাইজর এস সোবিতানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৮ দা থৌবাল নিঙোম্বমদগী লৈশাংথেমদা ময়ুম পানবী বিদ্যারানি কৌবী মৌনহা অসিনা থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে হায়রিবা মীশিগী মতাংদা ইমুং-মনুংগা উনদুনা মীশি অসিগী মরমদা থিজিল্লুরে। মখোয় অনী খৎন-চৈনবদি মরক-মরক্তা থোকই। মপামদা হল্লকখিবদি লৈতে। লৈবা ঙম্লরোই হায়দুনা কপ্পুনা ফোন তৌরকপদি কয়া লৈখি। মপামনা থেম-নৌদুনা অদুম্মক লৈহনখি। মপুরোইবগী ফমুংগা মহাক্কী ফমুংগা শম্ননা থাবনি। ফমুং অনীগী ময়াইগী মপা অদুদা অশাংবা ফৈরেন অমা লৈবদা য়াল্লম্বনি হায়। মতমদুদা মপুরোইবসু তুম্লি। মচানা কপমনবদগী ইমুং-মনুংনা থোং ফক্কায়বদা থৌরী য়াল্লম্বনি হায়না নুপা ময়ুমনা নুপী ময়ুমদা ফোঙদোক্লি। শম্নবা ফমুংদুদা মপুরোইবা তুম্না-তুম্না মশা মথন্তা থৌরী য়ানবা ওইথোক্লোই। মপুরোইবনা মচানা অদুক কপ্পবা ফাওবা থোং হাংদোক্ত্রিবা করিগীনো। মহাক্লা হান্না উরগা মীয়ামদা পাউ পীদ্রিবা করিগীনো। নুপী ময়ুমদা নোংঙাল্লমদাইদা পাউ পীবা লাকপদা ডোক্তরদা পুখৎলকই হায়রমদে। মশা নাবদগী পুখৎলকই হায়রম্মী। চিংননিংঙাই কয়ামরুম লৈ।

নুপী ময়ুমনা পেন্দবা কয়া লৈরি। নুপা ময়ুমনা কিবদগী নুপী ময়ুমদা পাউ হায়বদা অশেংবা হায়দবা, পুলিসতা চেনশিনবা ওইরবসু নুপী ময়ুমনদি লান্না খল্লি। লমদমসিদা মৌ কয়া চয়েৎনবা মীশিদা লৈখিদ্রে। মীশিদুগী মরমদা লংলা-লংজিল পুথোকপা ঙমদনা লাক্লি। লমদমসিদা খায়নবগী চাং য়াম্না ৱাংলে। মৌ কয়া শিরকপা, মমা-মপা ওইবশিংনা মচা নিংঙোলশিংবু, মাগী নুপানা খরা ফুবদা হেক্তা লৌথোক্লুরে। অসিগুম্বা কয়া অসিনা পীক্লিবা অঙাং কয়া মরাইবক থিহল্লে। শিগে হায়না খল্লবদি ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইমগী ওফিসতা লাকপীয়ু, শিবীগনু। ইশাদা লৈরিবা পোৎলুমদু থাংথমিন্নসি। নুপাশিংনা খৎনবদা শোয়দুনা শিখিবা ওইরগসু অসুম্না তৌবীগনু। পামদ্রবসু খায়নবীখো। মোত চান্নদবা লৈরগনা শেমদোক্লুরগা য়ুম পানমিন্ননবা হোৎনবীয়ু। নুপাশিংনা ময়ুমনি ঙম্মী হায়দুনা নুপীদা ফুনিংবা মওংদা ফুবীগনু। মৌশিং ইচাগীদমক হিংবীয়ু। ওর্গনাইজেসন অসিদা লাকপীয়ু হায়রি।

ৱর্ল্ড দিসএবল্ড দে পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : চহী অসিগী দিসেম্বর ৩ দা ৱর্ল্ড দিসএবল্ড দেগী থৌরম শামুশঙ শান্তিপুরদা পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুনাইটেদ ভলন্টরি য়ুথ কাউন্সীল (য়ু ভি ৱাই সী) লংথবাল মন্ত্রিখোংগী কোওর্দিনেটর নিরঞ্জন সেরামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, প্রমোটিংদা পার্টিসিপেসন ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ এন্দ দিয়ার লিদরশিপ, টেকিং এক্সন ওন দি ২০৩০ দিভলপমেন্ট এজেন্দা হায়বা থীমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। য়ু ভি ৱাই সীনা স্পেসল স্কুল শিন্দমশঙ কোঞ্জেং লৈকায় অমদি শামুশঙ শান্তিপুর প্রাইমারী স্কুলগা খুৎশম্নদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট টু সী দি ব্লোক্কী মনুংদা লৈবা দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন অমদি অদর স্কুল চিলদ্রেনশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। কলচরেল প্রোগ্রামনচিংবসু পাঙথোক্কনি।

ফেগোক্টাগী মখাদা সিজ ৱার্ক চত্থরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : ফেগোক্টাগী মখাদা কোলেজ ওজাশিংনা চত্থরকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা জি পি ৱিমেন কোলেজদা ঙসি ওজাশিংনা সিজ ৱার্ককী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চত্থদুনা ফমখিবা মীফম অদুদা ফেগোক্টাগী জেনরেল সেক্রেটরি এন সোমোরেন্দ্রোনা হায়খি, সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চঙশিনবা নুমীৎ ৭নি শুরে। ঙসি ফাওবা খঙবীদনা লাক্লি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা উনসি হায়বগী পাউদি লাক্লে। করিগুম্বা উনবদা য়ানদবগী ফীভম লাক্লবদি ওজাশিংনা কোলেজগী এগজাম বোয়কোট তৌবগী খোঙজং হন্দোক্লোই। তরেৎশুবা পে চৎনহল্লু হায়বসিদা কোলেজ ওজাশিংগী য়াওরক্তবা হায়বসি পেন্নিংঙাই ওইদে। মসিনা খোঙজং চঙশিনবনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ওজাশিংগা য়েংনবদা মণিপুরগী ওজাশিংনা শোত্থনা লৈহনবা অসিদা চঙশিল্লকপা খোঙজংনি। ওজাশিংগী খোঙজং অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা জি পি ৱিমেন কোলেজদা চত্থবনি হায়খি।

মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বদা শোক্লোইদবা মখলগী খোঙজং ওইনা চত্থবীয়ু : দেসাম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) : ফেদরেসন ওফ গভর্ণমেন্ট কোলেজ টিচরস এসোসিএসন (ফেগোক্টা)না তোঙান তোঙানবা দিমান্দ তৌরদুনা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থবক লেপ্পগী খোঙজং অসি হয়েংদগী হৌগদৌরিবা কোলেজ মহৈরোয়শিংগী সেমিষ্টর এগজামগী য়েংদুনা খোঙজং অসি মতম খরা হন্দোকপীয়ু। থবক লেপ্পগী খোঙজং অসি নত্তবা মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিন তম্বদা শোক্লোইদবা মখলগী খোঙজং ওইনা চত্থবীয়ু হায়না দেসামগী এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমীক এফ্যেরস সেক্রেটরি এস ঐচ দেবদত্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোলেজ ওজাশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ মরুওইনা তরেৎশুবা য়ু জি সী পে অমদি রেগ্যুলেসন তৌবা অসি মরম চাবা দিমান্দ অমনি। ওজাশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং লৈঙাক্লসু মতম চানা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎতুনা মশানা পীফম থোকপনি। মরম ফনা চারবসু মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদদি ঈহৌ তৌদনা, অমাঙ-অতা থোক্তনা থবক তৌবা হায়বসি অতাঙবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা তরাইনা লৌফম থোক্তে। চীন্দা এদ্যুকেসনদা প্রাইওরিটি পীগনি হায়না কয়ারক হায়রবসু ওজাশিংগী মরম চাবা দিমান্দশিং অসি ফাওবা মতম চানা পীথোক্তনা ৱারোইশিন অমফাওবা পুরক্লবা হোৎনদবা হায়বসি চীনগা খুৎকা মান্নদ্রে হায়বদু উৎথোকচবনি।

ওজাশিংনা থবক লেপ্পগী ফিরেপ অমা লৌরকপা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্তা কয়ারক হন্না ফম্মিন্নরবা মতুং থাজবা পীরক্লবা ৱাফমশিং অদু হঞ্জিন-হঞ্জিন থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী নীংবা কায়রবা ওজাশিংনা শিন্থা লেপ্পগী খোঙজং অসি চঙশিল্লকপনি হায়বসি দেসামনা থাজবনি। মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা ওজাশিংগী দিমান্দশিং খন্নদুনা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সেমিষ্টর এগজাম অসিদা অয়েৎ-অপন লৈহন্দনবা লৈঙাক্না মহৈরোয়শিংগী খন্দুনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীয়ু। মরম ফনা চারবসু ওজাশিংনা মহৈরোয়শিং তাকপী তম্বীবা তোক্তুনা শিন্থা লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনবা হায়বসি কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই। ওজাশিংনা ইশাগী ওইবা খরগীদমক ওজাগী ইথিক্সপু খোঙ্গাওনবা তৌবীগনু। ওজাশিংদি ওজাগী ওইবা খুন্নাইনা ঈকায় খুম্নবা মীয়াম্না য়াগদবা মওংদা চঙশিনহন্নিংই। শিন্থা লেপ্পা নত্তবা অতোপ্পা খোঙজং চঙশিল্লকপদা দেসাম অমদি কোলেজ মহৈরোয়শিংনসু অঙন্বা থাক্তা শরুক য়াগনি। ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংগী য়েংদুনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সেমিষ্টর এগজাম অসিদা অকায়বা পীবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 9th December 2019
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19
Time : 11 am to 4 pm
TOPPERS of 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpokngamba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
1ST POSITION 2019
It is an ecstatic moment for me on securing first position in the HSLC - Examination, 2019. Angels' coaching centre has helped me a lot in the preparation of this exam. Indeed, it is one of the best coaching centres in Imphal. Go to Angels and get success in life.
- Bhumika Sh.

7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
26/12/19	English
28/12/19	S. Science
31/12/19	Maths
03/01/20	Science
05/01/20	Adl. Sub.
07/01/20	MIL

Last date of Form Submission 17/12/19
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.
HL-P/5783/3-30 Nov. & 1-2 Dec.

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) & CLASS -X(BOSEM)
4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)
5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)
HSE Result 2019
19th POSITION HSE 2019
Rakesh Ningthoujam
FOUNDATION COURSE for CLASS -X(BOSEM)
9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)
HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE
13th POSITION HSLC 2019 Nongmaithem Zeno
17th POSITION HSLC 2019 Jessica Wahengbam
23rd POSITION HSLC 2019 Kahajam Jaya Devi
24th POSITION HSLC 2019 Rushely Laishram
Faculties :
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.
Special features :
➡ Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
➡ We provide printed probable questions and answers.
➡ Hostel/Boarding for Boys &Girls. ➡ Van Services
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol
Contact : 8413855751